ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯥꯟꯌꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জন্যুৱারী ২৯, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ২৯৭শুবা মশীং

মাইবনা খূৎ থারবনি

মতম লৌথবা চুম্লরোই

হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা লানগী ফীভম অসি য়াম্না লুরে। তরাই-তরাইবা ফীভম অমা ওইদ্রে। তশেংনা হায়রবদা মাইবনা খূৎ থারবা অনাবগা পাঙ্খক ওইরে। লানগী ফীভমসিনা অসি য়ৌনা শোকচিল্লকখিবগী মরম ময়াম লৈ। মরমশিং অদুগী মনুংদগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম অমদি লানসি হৌরকপদগী খাম্বা ঙম্বা, খাম্ফমসু থোকপা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাকশিং য়াম্না লিংনা চাউথ্রোক চাউনা লৈরগসু চোংথোক্তুনা লান শোক্লরিবা নাকল অনীগী ময়ায়দা লেপ্তুনা খান্নক্তবননি। মসিমক্লা লান্থেংনরিবা অনীনা লানগীদমক থৌরাং তৌবা মফি শেম্নবা লেপত্রি। মসিনা মখোয় মশেল মায়োক্নরুবা তাঞ্জাদদি মখা তানা লানফম অদুম্মক ওইরি। লান শোক্নরবনিনা শোকপা-শিবসু অদুমক য়াওরি। মরম পূম্নমকশিং অসিনা হৌজিক তমথীরবা লান অসি খামদুনা লেপহন্নবা হোৎনবা, লোইশিন্নবগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা মখা শাংথনা মতম লৌবদি অচুম্বা থৌশিল ওইগনি হায়বা য়ারোই। লানসি থা ৮ মপূং ফারদুনা হৌজিক থা ৯ চঙশিল্লক্লবনি। মীওই ২০০গী মথক্তা শিখ্রে। ময়ূম-মকৈ মৈ থাখিবা মীওইশিংগী মনুংদগী অকক্নবা খরখক মশা-মশাগী লৌরি-য়ূম্ফমদা হঞ্জিল্লে হায়রগসু লাঞ্জেন্নরিবা অয়াম্বা মীয়ামদি হৌজিকসু রিলিফ কেম্পশিংদা, লৈঙাক্না টেম্পররি ওইনা শাবা প্রি ফেব্রিকেটেদ য়ূমশিংদা চঙজফম লৌরি। লাঞ্জেন্নবদা য়াওবা অঙাংশিংগীদমক মহে-মশীন তমহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়রগসু নে-তাবা ফীভম অমদি ওইদ্রি। মশা-মশাগী মরৈকাই/মখুঙ্গংশিংদা হঞ্জিন্দুনা লৈজবা ফংজদ্রিবনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওই পূম্নমক্কী পূক্নিং-ৱাখল মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিল্লক্ত্রি।

ওইরিবা ফীভমশিংসিনা মণিপুরগী মীয়াম্বু হীরম খুদিংমক্তা শাথীরবা থাক অমা য়ৌনা শোকচিলহল্লক্লি। মীয়ামগী শেন্মীৎলোন্দা খম থেংনা চৈথেং পীরবনি। মসিগী মৈশা মীয়ামগী লৈঙাক্তসু ফংলক্লিবনি। অদুগা মীয়ামগা লৈঙাক্কা পূন্না অৱাবগী লূরবা কোমদা লুপথমিন্নরক্লিবনি। ইশম শম্বদা মাইবনা খূৎ থারবা অনাবগী ফীভমসি হীরম খুদিংমক্তা ওইশিল্লক্লে হায়বা য়ারবনি। মম্বাইদদি খন্ন-নৈনদুনা লৈথোকপদি খন্নরিঙৈদা তেঙ্গোল তুম্মী হায়বা পাউরৌদু তারক্কনি। লান অসি চত্থরকপগী মরম ওইরিবা ‘সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন’ গী দিমান্দগী মতাংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ‘মৌনি লুপ্পা’ দৌনা লৈথোরক্লিবসি কুইরে। লানগী ফীভমসিদি কুইর-কুইরগা ফগৎলক্কদবা নত্তে। তমথীরবা অনাববু মথন্তা ফজরক্কনি হায়দুনা য়েংদুনা লৈথোকপা চুমদে। মাইবনা খূৎ থারে হায়দুনা চগৌ য়েংদুনা খূৎ তুংবুন্নরগা লৈগদবা নত্তে। করি-করিনো অরোইবা খোঙ্গাও ওইরবসু অমুক্তংদি তৌখো। মাইবনা খূৎ থারে হায়দুনা মখা তানা য়েংদুনা লৈথোল্লগদি কুম লায়না পুরবা অনাবদু শিগনি। মশাদু পুমথরক্কনি, নমথীরক্কনি, হল চঙলক্কনি। হৌজিক ফীভমসিদা ওইরক্লোই হায়না কনামত্তনা মখৌ পোংনা হায়বা ঙমদ্রিবসি ঙম্মু, হায়য়ু হায়বনি। মসা-মরেং থাদুনা কোইথোক্লগা লৈবগী মতম নৎত্রে। মরূ-মরা য়াওনা ফুক্তৎলগা অমুক হন্না ময়োল চোংলক্লরোইদবা ফীভমদা লংথোকখো। ‘সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন’ পীফম থোক্তে, তানফম থোকপা দিমান্দসু নত্তে হায়বসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী ওইবা ওফিসল ওইবা লোন্দা অমসুং ফীভমদা য়াম্না থুনা পন্থদনা হায়রকউ। মসিবু থৌনা ফনা হায়রকপা ঙম্লবদি ৱা লোইরে। তানফমসু থোক্তবা, পীফমসু থোক্তবা দিমান্দ মখা তানা তাল্লক্লগদি মরূ-ময়াংসু কেম্নবা শুরূ-শুরূ নৈথেক্লোইদ্রো? মরম অসিনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লোইশিং নরোল লোল্লু। কুইশিল্লক্লবদি ফরক তান্নরক্কনিকো!!

ꯃꯥꯏꯕꯅ ꯈꯨꯠ ꯊꯥꯔꯕꯅꯤ

ꯃꯇꯝ ꯂꯧꯊꯕ ꯆꯨꯝꯂꯔꯣꯏ

ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝ ꯑꯁꯤ ꯌꯥꯝꯅ ꯂꯨꯔꯦ꯫ ꯇꯔꯥꯏ-ꯇꯔꯥꯏꯕ ꯐꯤꯚꯝ ꯑꯃ ꯑꯣꯏꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯇꯁꯦꯡꯅ ꯍꯥꯌꯔꯕꯗ ꯃꯥꯏꯕꯅ ꯈꯨꯠ ꯊꯥꯔꯕ ꯑꯅꯥꯕꯒ ꯄꯥꯡꯈꯛ ꯑꯣꯏꯔꯦ꯫ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯅ ꯑꯁꯤ ꯌꯧꯅ ꯁꯣꯛꯆꯤꯜꯂꯛꯈꯤꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯃꯌꯥꯝ ꯂꯩ꯫ ꯃꯔꯃꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯒꯤ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕ ꯃꯔꯝ ꯑꯃꯗꯤ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯍꯧꯔꯀꯄꯗꯒꯤ ꯈꯥꯝꯕ ꯉꯝꯕ, ꯈꯥꯝꯐꯃꯁꯨ ꯊꯣꯛꯄ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯅ ꯂꯤꯡꯅ ꯆꯥꯎꯊ꯭ꯔꯣꯛ ꯆꯥꯎꯅ ꯂꯩꯔꯒꯁꯨ ꯆꯣꯡꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯂꯥꯟ ꯁꯣꯛꯂꯔꯤꯕ ꯅꯥꯀꯜ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯃꯌꯥꯏꯗ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅ ꯈꯥꯟꯅꯛꯇꯕꯅꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯂ ꯂꯥꯟꯊꯦꯡꯅꯔꯤꯕ ꯑꯅꯤꯅ ꯂꯥꯟꯒꯤꯗꯃꯛ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯇꯧꯕ ꯃꯐꯤ ꯁꯦꯝꯅꯕ ꯂꯦꯞꯇ꯭ꯔꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯁꯦꯜ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯔꯨꯕ ꯇꯥꯟꯖꯥꯗꯗꯤ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯂꯥꯟꯐꯝ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯑꯣꯏꯔꯤ꯫ ꯂꯥꯟ ꯁꯣꯛꯅꯔꯕꯅꯤꯅ ꯁꯣꯛꯄ-ꯁꯤꯕꯁꯨ ꯑꯗꯨꯃꯛ ꯌꯥꯎꯔꯤ꯫ ꯃꯔꯝ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯈꯥꯃꯗꯨꯅ ꯂꯦꯞꯍꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕ, ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯄꯨꯔꯛꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗ ꯃꯈꯥ ꯁꯥꯡꯊꯅ ꯃꯇꯝ ꯂꯧꯕꯗꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯊꯧꯁꯤꯜ ꯑꯣꯏꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕ ꯌꯥꯔꯣꯏ꯫ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯊꯥ ꯸ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯔꯗꯨꯅ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯊꯥ ꯹ ꯆꯉꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯲꯰꯰ꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯁꯤꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯌꯨꯝ-ꯃꯀꯩ ꯃꯩ ꯊꯥꯈꯤꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯒꯤ ꯑꯀꯛꯅꯕ ꯈꯔꯈꯛ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯂꯧꯔꯤ-ꯌꯨꯝꯐꯃꯗ ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯦ ꯍꯥꯌꯔꯒꯁꯨ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯔꯤꯕ ꯑꯌꯥꯝꯕ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯁꯤꯡꯗ, ꯂꯩꯉꯥꯛꯅ ꯇꯦꯝꯄꯔꯔꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯁꯥꯕ ꯄ꯭ꯔꯤ ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯤꯀꯦꯇꯦꯗ ꯌꯨꯃꯁꯤꯡꯗ ꯆꯉꯖꯐꯝ ꯂꯧꯔꯤ꯫ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯕꯗ ꯌꯥꯎꯕ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯍꯦ-ꯃꯁꯤꯟ ꯇꯃꯍꯟꯅꯕ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯀꯌꯥ ꯂꯧꯈꯠꯂꯦ ꯍꯥꯌꯔꯒꯁꯨ ꯅꯦ-ꯇꯥꯕ ꯐꯤꯚꯝ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯔꯩꯀꯥꯏ/ꯃꯈꯨꯡꯒꯡꯁꯤꯡꯗ ꯍꯟꯖꯤꯟꯗꯨꯅ ꯂꯩꯖꯕ ꯐꯪꯖꯗ꯭ꯔꯤꯕꯅ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯔꯤꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ-ꯋꯥꯈꯜ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯗ ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯇ꯭ꯔꯤ꯫

ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯡꯁꯤꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯍꯤꯔꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇ ꯁꯥꯊꯤꯔꯕ ꯊꯥꯛ ꯑꯃ ꯌꯧꯅ ꯁꯣꯛꯆꯤꯜꯍꯜꯂꯛꯂꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯁꯦꯟꯃꯤꯠꯂꯣꯟꯗ ꯈꯝ ꯊꯦꯡꯅ ꯆꯩꯊꯦꯡ ꯄꯤꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯩꯁꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯇꯁꯨ ꯐꯪꯂꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀ ꯄꯨꯟꯅ ꯑꯋꯥꯕꯒꯤ ꯂꯨꯔꯕ ꯀꯣꯃꯗ ꯂꯨꯞꯊꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯏꯁꯝ ꯁꯝꯕꯗ ꯃꯥꯏꯕꯅ ꯈꯨꯠ ꯊꯥꯔꯕ ꯑꯅꯥꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤ ꯍꯤꯔꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇ ꯑꯣꯏꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯦ ꯍꯥꯌꯕ ꯌꯥꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯝꯕꯥꯏꯗꯗꯤ ꯈꯟꯅ-ꯅꯩꯅꯗꯨꯅ ꯂꯩꯊꯣꯛꯄꯗꯤ ꯈꯟꯅꯔꯤꯉꯩꯗ ꯇꯦꯡꯒꯣꯜ ꯇꯨꯝꯃꯤ ꯍꯥꯌꯕ ꯄꯥꯎꯔꯧꯗꯨ ꯇꯥꯔꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯆꯠꯊꯔꯀꯄꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ 'ꯁꯤꯄꯔꯦꯠ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ' ꯒꯤ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯅ 'ꯃꯧꯅꯤ ꯂꯨꯞꯄ' ꯗꯧꯅ ꯂꯩꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤ ꯀꯨꯏꯔꯦ꯫ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯗꯤ ꯀꯨꯏꯔ-ꯀꯨꯏꯔꯒ ꯐꯒꯠꯂꯛꯀꯗꯕ ꯅꯇꯦ꯫ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯑꯅꯥꯕꯕꯨ ꯃꯊꯟꯇ ꯐꯖꯔꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅ ꯂꯩꯊꯣꯛꯄ ꯆꯨꯃꯗꯦ꯫ ꯃꯥꯏꯕꯅ ꯈꯨꯠ ꯊꯥꯔꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯆꯒꯧ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅ ꯈꯨꯠ ꯇꯨꯡꯕꯨꯟꯅꯔꯒ ꯂꯩꯒꯗꯕ ꯅꯇꯦ꯫ ꯀꯔꯤ-ꯀꯔꯤꯅꯣ ꯑꯔꯣꯏꯕ ꯈꯣꯡꯒꯥꯎ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯑꯃꯨꯛꯇꯡꯗꯤ ꯇꯧꯈꯣ꯫ ꯃꯥꯏꯕꯅ ꯈꯨꯠ ꯊꯥꯔꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅ ꯂꯩꯊꯣꯜꯂꯒꯗꯤ ꯀꯨꯝ ꯂꯥꯌꯅ ꯄꯨꯔꯕ ꯑꯅꯥꯕꯗꯨ ꯁꯤꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯥꯗꯨ ꯄꯨꯃꯊꯔꯛꯀꯅꯤ, ꯅꯃꯊꯤꯔꯛꯀꯅꯤ, ꯍꯜ ꯆꯉꯂꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯗ ꯑꯣꯏꯔꯛꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯅ ꯀꯅꯥꯃꯠꯇꯅ ꯃꯈꯧ ꯄꯣꯡꯅ ꯍꯥꯌꯕ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯤꯕꯁꯤ ꯉꯝꯃꯨ, ꯍꯥꯌꯌꯨ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯥ-ꯃꯔꯦꯡ ꯊꯥꯗꯨꯅ ꯀꯣꯏꯊꯣꯛꯂꯒ ꯂꯩꯕꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯔꯨ-ꯃꯔꯥ ꯌꯥꯎꯅ ꯐꯨꯛꯇꯠꯂꯒ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅ ꯃꯌꯣꯜ ꯆꯣꯡꯂꯛꯂꯔꯣꯏꯗꯕ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯂꯡꯊꯣꯛꯈꯣ꯫ 'ꯁꯤꯄꯔꯦꯠ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ' ꯄꯤꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇꯦ, ꯇꯥꯟꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗꯁꯨ ꯅꯇꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯑꯣꯐꯤꯁꯜ ꯑꯣꯏꯕ ꯂꯣꯟꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯌꯥꯝꯅ ꯊꯨꯅ ꯄꯟꯊꯗꯅ ꯍꯥꯌꯔꯀꯎ꯫ ꯃꯁꯤꯕꯨ ꯊꯧꯅ ꯐꯅ ꯍꯥꯌꯔꯀꯄ ꯉꯝꯂꯕꯗꯤ ꯋꯥ ꯂꯣꯏꯔꯦ꯫ ꯇꯥꯟꯐꯃꯁꯨ ꯊꯣꯛꯇꯕ, ꯄꯤꯐꯃꯁꯨ ꯊꯣꯛꯇꯕ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯇꯥꯜꯂꯛꯂꯒꯗꯤ ꯃꯔꯨ-ꯃꯌꯥꯡꯁꯨ ꯀꯦꯝꯅꯕ ꯁꯨꯔꯨ-ꯁꯨꯔꯨ ꯅꯩꯊꯦꯛꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯣ? ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯏꯁꯤꯡ ꯅꯔꯣꯜ ꯂꯣꯜꯂꯨ꯫ ꯀꯨꯏꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯗꯤ ꯐꯔꯛ ꯇꯥꯟꯅꯔꯛꯀꯅꯤꯀꯣ!!

লৌমীশিংগী কাখল

তিল্হৌদা ঈশিং পীবা অমসুং পোখোক

ডা. এম থোইথোই সিংহ

তিল্হৌ পাম্বীদা ঈশিং পীবা : ঈশিং কয়াম তোয়না অমসুং কয়া য়াম্না চাইগদগে হায়বসি পাম্বী চাউবগী চাং, লৈবাক্কী মওং/মখল অমসুং ঈশিং পীরিবা মতমদুমক্কী অঈং-অশাগী মখা পোল্লি।

তিল্হৌ পাম্বীনা নৌরিঙৈ মনা ২-৩ খক পাল্লিঙৈ মতমদা নুমিৎ নীনি (লৈঙোই ওইরপ তৌবা মফম) দগী নুমিৎ মরিনি (লৈতান ওইরপ তৌবা মফম) খুদিংদা ঈশিং পারপ্পা পীগনি। ইঞ্চি ২-৩গী লৈবাকখক চোৎহল্লগা য়ারে। মনা ৪-৫ পানবা মতমদা ঈশিং পীবগী চাং হেনগৎকনি। মনা ৫-৮ ফাওবা পানবা মতমদা ঈশিংগী চাং হেন্না ৱাংখৎনা পীগনি। মরূ কাবা হৌরকপা মতমদনা ঈশিং হেন্না চংই। ৱাৎহনবা য়াদে। মতমসিদা নুংশাগী মৈশাসু হেনগৎলকপনা ঈশিং অমুক্কা হেন্না চংই। মতমসিদা ঈশিং ৱাৎপদা ইচাও চাওদনা তিল্হৌ মপান শারকই। পোখোক হন্থে। তিল্হৌগী মনাশিং কংশিল্লকপা, মঙক থোৎপা মতমদদি ঈশিং পীররোই। লোক্ত্রিঙৈ নুমিৎ ২০নিগী মাঙওইননা ঈশিং পীররোই। মতমসিদা ঈশিং পীশিল্লবদি লোল্লবা মতুংদা তিল্হৌ মতোন থোক্কনি। কুইনা থম্বা য়াদে।

তিল্হৌ পাম্বীগী ঈশিং পীবদা য়াম্না মরু ওইরিবসি মতোন থোকপা মতম, লিংথোকপা মতম অমসুং মরূ কাবা মতমসিনি।

পাম্বীগী চাউবগী চাং খেন্নবগী মতুংইন্না ঈশিংগী চাং খরা খেন্নরবসু চয়োল অমগী মনুংদা অমুক্তি মপূং ফানা লৈবাক্তু ঈশিং চোৎহনগনি। শম্না ইঞ্চি অমগী (থাবা) ঈশিং (ফুট ১০ পাকপা ফুট ১০ শাংবা মফম অমদা ঈশিং লিটর ২৩৫) চয়োল অমদা অমুক্তি পীগনি। মসিনা লৈঙোই লম ওইরপ তৌবা মফমদা ইঞ্চি ১০ লুথবা ফাওবা চোৎহনবা ঙম্মী। লৈতান লমদনা ইঞ্চি ৬ লুথবা ফাওবা চোৎহল্লি। মরম অসিনা ঈশিং ফাবা ঙমদবা লৈঙোই লমদা ঈশিং তোয়না পীবা চংই। ঈশিং ৱাত্তনবা হোৎনগনি। মরক মরক্তা পারপ-পারপ্পা ঈশিং পীগনি। অয়ূক্কী পুং ১০-১১গী মতমদা তিল্হৌ মনানা খজিক তুকথরক্লবদি (খুইথবা) ঈশিং ৱাৎলে খঙগনি। ঈশিং হেনজিন্না পীরগনা পাম্বীনা ফংজগদবা পাম্বীগী মরাগী মনাক মক্তদা লৈরিবা মচীঞ্জাক কয়াবু ঈশিংদা তুমদুনা ঈশিংনা পুথখি; পাম্বীনা ফংহৌদে। তিল্হৌ মনা মতোন ঙাংবগী লায়না মখল কয়া লাকই।

পাম্বীনা পাম্বা ঈশিংগী চাং অসিসু থারিবা পাম্বীগী অকুং অরন, নুংশিৎ-নুংশাগী মৈশা অমসুং নুংশিত্তা য়াওবা ঈশিং ঈনিলগী মখা পোল্লি। অদুমকপু চাংচত্তা মনানা ময়ায় ওইনা ফগৎলকপা মতমদা স্কৱার মিটর অমগী লমদা ঈশিং লিটর অহুমদগী মঙা ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী মথৌ তাই। মরূ কাবা হৌরকপা মতমদনা ঈশিং লিটর মঙাদগী ৮ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী মথৌ তাই।

করিগুম্বা থারিবা তিলহৌ মরকশিংদু চরূ মককশিংনা কুপশিল্লবা (ইঞ্চি অনী থানা) নৎত্রগা প্লাষ্টিক্লা কুপশিল্লবদি (Poly mulch) ঈশিং পীবগী চাং য়াম্না হন্থগনি।

তিল্হৌ খাওবা : তিল্হৌ মখল খেন্নবগী মতুংইন্না মপূং ফাবা, লোকপা মতম য়ৌরকপা ফাওবগী মতম খেন্নে। অদুবু চাংচত্তা নুমিৎ ১৪০-১৫০ মুক চংই। কালেনগী মতমদদি খরা অমুক তেনশিল্লি।

মনাশিং নাপু মচু চংলকপগা লোয়ননা তিল্হৌগী মঙক থোত্থরক্কনি, তেকথরক্কনি। অদুবু কালেনথাদা থাবা তিল্হৌশিংদি মঙক তেকথদে য়ুংনা অদুম লৈ। চাউবগী চাং য়েংলগা খাওদোকপা য়ারে।

মপূং ফারবা তিল্হৌশিংদু ফুক্তোল্লগা চয়োল অমদি লৌবুক্তুদা অদুম ফৌদুনা থম্বা য়াই; মশা হেন্না তাশিন্নবা। শঙম অমা চাউবা মফমদা তিল্হৌ ক্বিন্টল ৭৫দগী ১০০ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী। অদুবু নীংথমথা নত্তবা মতমশিংদা পুথোকপদদি চাংসি য়ৌবা ঙমদে। মতম শুদনা পুথোকপা তারবদি তিল্হৌ মঙক থুদেক্কনি নৎত্রগা উকায় তকশিনগনি।

মণিপুরদা তিল্হৌ থাবগী চাং খরমখৈ হেনগৎচরবসু খুমাঙ চাওশিন্দবগী মরম খরদং :-

১) মরূ হুনবদা হৌবগী চাং নেম্বা। অফবা, নৌরিবা (এক্সপ্যার ওইদবা) মরূদমক শীজিন্নগনি।
২) থেঙনা চারা হুনবা অমসুং থেঙনা লীংথোকপনা তিল্হৌ মপূং ফানা চাউবা ঙমদবা।
৩) চারা ওইরিঙৈদা শিবগী চাং ৱাংখিবনা পাক শন্না থানীংঙাই চারা লৈতবা। মতমদুদা তাবা লায়না তীলনা মশক খঙদোক্তুনা খুদোংচাদবা লৈহল্লোইসি।
৪) চারা হুনফম অমসুং লিংথোল্লবা ফৈদোমশিংদা হৌরকপা নাপী শেন্নবা ৱাবা। নাপী লাকশিন্নবা পাম্বেশিং মমাঙদা থমজখ্রে।
৫) ঈশিং হেন্না অমসুং য়াম্না তোয়না চাইবদগী ঈশিংনা অয়াম্বা মচীঞ্জাক পুত্থিবা; পাম্বীনা ফংহৌদবা।
৬) মতম চাদনা মপান ঙন্না শাবদগী তিল্হৌ মরূ পীক্লা অমসুং মনুং হোনা লৈহৌবা; পোখোক য়াওদবা। ঈশিং চুম্না পীগনি।
৭) লোল্লবা মতুং মতোন থোকপা কুইনা থম্বা য়াদবা।
৮) তিল্হৌ মনাশিংদা কোলেটোট্রিকম, পর্পল ব্লোটচ অমসুং ষ্টেমফাইলিয়ম ব্লাইট চাং ৱাংনা তাবা।
৯) ঈশিং তোয়না চাইবা ঈশিং হেনবদগী লৈবাক্তগী পোল্লকপা লায়না পিঙ্ক রোট, স্কেলরোসিয়েল রোট অমসুং নেক রোটকী চাং ৱাংনা তাবা।
১০) তিল্হৌ মনাদা মরী-মরী চৎপী লিফ মাইনর অমসুং থ্রিপস চাং ৱাংনা তাবা।

মরমশিং অসিদা নত্তনা অতৈ খুদোংচাদবা কয়াবুসু খঙদোক্তুনা কাঙলোন চুমহল্লবদি পোখোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। তিল্হৌ থানীংবা মীওইগী মীশিং হেনগৎলক্কনি। ●

পাম্ফেল হুন্দুনা ফৌ থাবা

- এস সুমঙ্গল -

ফৌ থাবগী কাঙলোন কয়া অমা লৈখ্রে। ইপা-ইপুনা থনম্বা কাঙলোন কয়া অমগী মথক্তা অনৌবা কাঙলোন কয়া অমসুনি পুথোক্লরক্লিবা। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ফৌ থাবা অসি লৌহোন হুন্দুনা ফৌ লিংবগী মহুত্তা পাম্ফেল হুন্দুনা থাবগী হৈনবী অমা লাক্লে হায়বা য়াই। মসি অঙনফৌ অমসুং অথেংফৌ অনীমক্কীনি। ফৌ থাবগী খ্বাইদগী ফবা মওংদি লৌহোন হুল্লগা লিংবনি হায়নরি অদুবু মতমগী য়াওন মতুংইন্না অশম্বা, খূৎ য়াম্না চঙদবা থিনরকপদা পাম্ফেল হুনবা অসি য়াম্না পাম্না পাঙথোক্লরকপনি হায়না লৌবা য়াই। অমরোমদদি মসি ফৈ অদুবু মসি কাঙলোন চুম্না হোৎনরবদি ফৈ অদু নৎত্রবদি ফবগী মহুত্তা মাঙজবা কয়াসু লৈবা য়াই।

মাঙজবা : ১) অরন অকুং চাং মান্নদবনা মরম ওইরগা পাম্বী অমগা অমগা চরোং চুম্বা মান্নদবনা চাথোক হন্থবা - খরা লনবা, ফৌনা মচীঞ্জাক মরাং কায়না ফংবা, কুঙনা হৌবা ফৌনা খরা ৱাৎনা ফংবা মশানা তাবনি।

২) নাপি হৌবগী চাং কা হেন্না ৱাংবা - তশেংবদি অরিঙবা লৌফমদসু অদুমক নাপি হৌই অদুবু ফৌনা খরা চাওরগা হায়বদি লৌহোন্না লিংবা মরম্না খরা হন্থবা মানবনি। ফৌনা ঙমতক চৎলি হায়বগী ৱানি। পাম্ফেলদদি ফৌগা নাপিগা চপ মান্ননা হৌমিন্নরক্তুনা মাঙহনবা হেল্লি।

৩) ফৌদি খরা হেন্না চঙগনবা মরম্না ফৌ কুঙবা, ফৌ মশা ফবা ৱাৎপা, লায়না তীলনা মরু ওইনা ৱাহিক (হোপ্পর) তাগনবা। ফৌনবু কুঙলবদি ৱাহিক তানবা মচাক ওই।

৪) হার চাইবগী মতম শোয়গনবা। লিংবগী হার চাইবগী মতমগা হুনবগী চাইবগী মতমগা খরা খেন্নবা খঙদবনা মতম শোয়বা থোক্কল্লি, হারগী কান্নবা ফংবা ৱাৎলি।

৫) ইশাগী লৌফমদগী অফবা ফৌদি লোকচহৌনবা হোৎনবদা খুদোং চাবা ৱাৎপা। মসি ফৌদি লোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না মরু ওইরিবা ফৌমাং খন্দোকপা হায়বসিদা খুদোং চাবা ৱাৎপা মরম্মনি হায়বা তাই।

৬) পাম্ফেল হুনবা লৌফমশিংদা শুকশোয় শোয়দনা ফৌগী অরন অকুং শেম্বা হায়বসি শোয়দনা পাঙথোকনৈ, মসি লৌহোন হুন্দুনা লিংবগা চপ মান্ননা খূৎ চঙবা থবকনি হায়বা তাই।

চেকশিনৱা : মথক্তা থমজরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লবা হোৎনরবদি পাম্ফেল হুনবসু অদুমক অফবা মওং ওইহনবা য়াগনি। শেল চঙবা হন্থহনবা য়াগনি।

১) পাম্ফেল হুনবদা ফৌদিগী চাং অসি লৌমী ইচিন ইনাও অয়াম্বনা খরা হেঞ্জিনগল্লি। মসি থোক্তনবা অফবা ফৌদি শীজিন্নসি, অফবা ফৌদি খুদিংমক মতোন চাং মান্ননা থোক্কনি, মশা মউ ফনা হৌরক্কনি। খরা পৌবা, লূম্বা ফৌ মখলনা শঙমদা কিলো ১৪, খরা কূপ্পা ফৌ মখলগীনা কিলো ১২ খক শীজিন্নসি। সীদ ত্রিটমেন্টকী মনুং চন্না অহিং অমা তিংলবা মতুং লৌখৎতুনা মচুম খকহল্লগা চানবা হীদাকশিং খুদম ওইনা কার্বোন্দাইজম ৫০% (মফোল) হায়রিবা হীদাক অসি মরূ কিলো অমদা গ্রাম অমগী চাংদা নৎত্রগা ত্রাইসাক্লেজোল ৭৫% ঈ সী হায়রিবা হীদাক অসি মরূ কিলো অনীদা গ্রাম অমগী চাংদা তোৎহৌবগা লোয়ননা উচেকনা খুনখিদনবা মৈতাল মফোন তোৎশিনহৌসি অদুগা ওমসি। মতোন শাংনা থোকহনবা কান্নদে, মাঙজৈ। শেন্দাং মখ্যাৎ শাবদা হুনসি।

২) হার হাপ্পগী চাং অমদি মতম য়াম্না শোয়গল্লি। লৌ হুনগদবা নোংমা নীনি ৱাৎলিঙৈ অরোইবা খোইবদা য়ুরিয়া কিলো ১৫, সুপর কিলো ৬০গা লোয়ননা পোটাস কিলো ১০ লৌবুক্তা তোঙান তোঙান পুথরগা লৌফমদা নিংথিনা য়ানশিন্নরগা খোইজিনহৌসি। অহুনবা ফৌনা মচা পোকপা হানগনি মরম অদুনা হুল্লবা মতুং নুমিৎ ২০-২৫ শুবদা য়ুরিয়া কিলো ১০ অমুক অদুগা অরোইবা ওইনা য়ুরিয়া কিলো ১০গা পোটাশ কিলো ৫গা মশা তাশিল্লকপা মতমদা চাইসি। মশা তাশিনবা মতম অসি ফৌ ফৌগী ওইনা খেন্নে। খরা ঙনবা (নুমিৎ ১১৫-১২৫) ফৌগী ওইনা হুল্লবা মতুং নুমিৎ ৬০নি শুবদা অদুগা মতম খরা শাংবা ফৌগী (নুমিৎ ১৩০-১৩৫) ওইনা নুমিৎ ৭০ অদুগা খরগা হেন্না শাংবা ফৌগী (নুমিৎ ১৪৫-১৫০) ওইনা নুমিৎ ৭৫নি শুবদা চাইসি।

৩) নাপি হীদাক মশক খঙনা কাপ্পীগনি। ফৌনা মতোন থোকখ্রবা, নাপিনা মতোন থোক্ত্রিঙৈ মতম হায়বদি হুল্লবা মতুং হাপ্তা অমগী মনুংদা শাথি (পাইরাজোসলফ্যুরোন ইথাইল ১০%) ঈশিং য়াম্না লিক্লা ইঞ্চি মখায় অমত্তং লুনা থল্লগা নৎত্রগা ঈশিংগী ফাত্তোক ফাৎচিন য়াবা মফমগী ওইনদি পূম্নমক ফাত্তোল্লগা শঙম অমদা গ্রাম ৫০-৬০না পম্প ৪-৫ চাং মান্ননা য়াল্লগা কাপহৌসি। নৎত্রগা প্রিতিলাক্লোর শীজিন্নবসু য়াই। অখঙ অহে তানহৌসি। মতুংদা হৌরকপা নাপী ওলমিক্স (মেতসলফ্যুরোন মিথাইল ১০% অতোপ্পা খরা) শঙমদা গ্রাম ৫গী চাংদা পম্প ৫দা গ্রাম অমমম য়াল্লগা নাপিনা খরা মনা নিংথিনা পাল্লবা মতুং ফৌনা খরা চাওরবা মতমদা হায়বদি নুমিৎ ২০-২৫নি শুবদা কাপসি।

৪) ওমদুনা শেন্দাং মখ্যাৎ শাবা মতমদা দ্রম সিদর শীজিন্নদুনা ফৌ পরেং নাইনা হুনবনা খ্বাইদগী ফৈ। মরা (মতোন) শাংনা থোকখ্রবদি দ্রমগী অহোবদা মরূ লিৎথবা ৱাগনি। শেন্দাং মখ্যাৎ শারকপদা মরূ হুনসি। পরেং নাইহৌবনা থবক থৌরম খুদিংমক লায়গনি।

৫) অরন অকুঙ শেম্বা মতমদা ফৌ পাম্বী ফুক্তোল্লগা লিংথোকপগী মহুত্তা ফৌ পাম্বী অনীগী কারক্তা খোঙ থল্লগা ইন্থোক্তুনা শেম্বা ঙল্লবদি খ্বাইদগী ফৈ। য়ারিবমখৈ চাং মান্ননা হুলহৌবনা খ্বাইদগী ফরে।

৬) ফৌ হুনবা মতমদা ফৌরক লম্বী হায়বদি ফুট ৯-১০ খুদিংগী ফুট অমগী লম্বী অমা খাল্লগা হুনবা ঙল্লবদি য়াম্না ফৈ। মসিনা থৌরম খুদিংমক লায়হনগনি। দ্রম সিদর শীজিন্নরবদি অদুমক য়ারে।

মথক্তা থমজরিবশিং অসিগা লোয়ননা তারকপা লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা অখঙ অহৈ তান্নবীদুনা অৱাৎপা নাইট্রোজেন লৈরকপা মতমদা মশা তাশিন্দ্রিঙৈ মতমদা মেনখৎনবা হোৎনরবদি শোয়দনা পাম্ফেল তৌরবসু ফৌ নিংথিনা থোক্কনি। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা)-৭৭

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মপা মচাশিং ঙাথিবা ঈশিংপা। খুমল মরুপ মমাননবা। ঙাথিবা কনা কনাবু লৈবগে হায়না লাওবদা। মখোল থোকনা লাওঙমদরে। অদু নুমিৎতগীবু। থৌবাল মোইচা চীঙ। ঈরাওখু ও মিংকৌনখিয়ে। হাওবা তাক লায়েংকাই। থৌবাল মোইচা চীঙ। ঈরাওখু কৌবা লমদা। নোংয়াই শামুকনুচারোই। থীঙক্রককোকচাও। থীঙক্রককঙাংসা। থীঙক্রুলুতোন। হাওকুতেক নুঙনাং উসোলবা। অহুইবা কোনলংবা। কমবোং থল্লা মাইয়িবীচানা। য়াওরৌ শাফা কোনখাদুনা থমলমমে। মৈদিংঙু অয়াংবগী মনাই। শারিচোংবা। লোইখুরোই অমপা য়াইসকুল লাওবা। শাকল তোংইবা নাওরেমবগা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -꯷꯷

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯌꯊꯣꯛꯂ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯄꯥ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡ ꯉꯥꯊꯤꯕ ꯏꯁꯤꯡꯄꯥ꯫ ꯈꯨꯃꯜ ꯃꯔꯨꯞ ꯃꯃꯥꯅꯅꯕ꯫ ꯉꯥꯊꯤꯕ ꯀꯅꯥ ꯀꯅꯥꯕꯨ ꯂꯩꯕꯒꯦ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯥꯎꯕꯗ꯫ ꯃꯈꯣꯜ ꯊꯣꯛꯅ ꯂꯥꯎꯉꯃꯗꯔꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯕꯨ꯫ ꯊꯧꯕꯥꯜ ꯃꯣꯏꯆꯥ ꯆꯤꯡ꯫ ꯏꯔꯥꯎꯈꯨ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯍꯥꯎꯕ ꯇꯥꯛ ꯂꯥꯌꯦꯡꯀꯥꯏ꯫ ꯊꯧꯕꯥꯜ ꯃꯣꯏꯆꯥ ꯆꯤꯡ꯫ ꯏꯔꯥꯎꯈꯨ ꯀꯧꯕ ꯂꯃꯗ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯁꯥꯃꯨꯛꯅꯨꯆꯥꯔꯣꯏ꯫ ꯊꯤꯡꯛꯔꯛꯀꯣꯛꯆꯥꯎ꯫ ꯊꯤꯡꯛꯔꯛꯉꯥꯡꯁꯥ꯫ ꯊꯤꯡꯛꯔꯨꯂꯨꯇꯣꯟ꯫ ꯍꯥꯎꯀꯨꯇꯦꯛ ꯅꯨꯡꯅꯥꯡ ꯎꯁꯣꯂꯕ꯫ ꯑꯍꯨꯏꯕ ꯀꯣꯟꯂꯡꯕ꯫ ꯀꯃꯕꯣꯡ ꯊꯜꯂꯥ ꯃꯥꯏꯌꯤꯕꯤꯆꯥꯅ꯫ ꯌꯥꯎꯔꯧ ꯁꯥꯐꯥ ꯀꯣꯟꯈꯥꯗꯨꯅ ꯊꯃꯂꯃꯃꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯑꯌꯥꯡꯕꯒꯤ ꯃꯅꯥꯏ꯫ ꯁꯥꯔꯤꯆꯣꯡꯕ꯫ ꯂꯣꯏꯈꯨꯔꯣꯏ ꯑꯃꯄꯥ ꯌꯥꯏꯁꯀꯨꯜ ꯂꯥꯎꯕ꯫ ꯁꯥꯀꯜ ꯇꯣꯡꯏꯕ ꯅꯥꯎꯔꯦꯃꯕꯒ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।